# নুপীগী ফুটবোল মখা তানা শৌগৎখিগনি : ফিফা



*লোজেন, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি)ঃ*

মালেমগী নুপী ফুটবোল মশান্না হেন্না চাওখৎনবগী পান্দমদা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাঙখিগনি হায়না ফেদরেসন ওফ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল এসোসিয়েসন (ফিফা) গী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙ চহীদা ফ্রান্সনা য়ুম্ভু ওইরগা ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপ মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রবা মতুং চহী অসিগী পাঙথোক্কদবা নুপীগী ফুটবোল ইভেন্ট কয়া হৌজিক মালেমগী মফম কয়াদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা চপ লেপ্পুনা লৈরি।

নুপীগী ফুটবোল মশান্না অসি হেন্না চাওখৎনবগী পান্দমদা কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক লৈরগসু অঙম্বা মতেং পাঙখিগনি হায়রি। হিরম অসিগা মরী ফিফাগী প্রসিদেন্ট জিয়ান্নী ইনফান্টিনোনা নুপীগী ফুটবোল মশান্নগী ওইনা মথং গী চহী ৪ গী ওইনা য়ু এস বিলিয়ন ১ ইনভেষ্ট তৌনবা পান্দম থল্লি।

ফিফা ৱুমেন'স ফুটবোল ষ্ট্রেটেজি অমসুং বোদি অসিগী অশানবা মীৎয়েংদা নুপীগী মশান্না অসি হেন্না চাওখৎনবা হোৎনরি। মশান্না অসিদা থাদগদৌরিবা শেনফমশিং অসি কম্পিটিসন, কেপাসিটি বিল্ডিং, দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামশিং, গভর্ণেন্স অমসুং লিদরসিপ, প্রোফেসনেলাইজেসন অমসুং টেক্নিকেল প্রোগ্রামশিং দা শিজিন্নগনি হায়না ফিফাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ফিফানা নুপীগী ফুটবোলদা থাদরক্লিবা শেনফমশিং অসি হৌজিক মীয়াম্না মায়োক্নরিবা কোভিদ–১৯ ক্রাইসিস অসিনা করিসু অকায়বা পীরোই হায়না ফিফাগী ষ্টেটমেন্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা গারদিয়ান ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্নদি কোরোনাভাইরস লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা ফন্দিং তোক্লবা য়াই হায়রি।

ফিফানা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মালেমগী সোক্করদা শোকহল্লকপদগী শেল–থুমগী লমদা অকায়বা কয়া পীরক্লিবা অসিগী মতাংদা কূপ্না য়েংশিল্লি। ফিভম অসি খরা লাকশিন্নবা ফিফাগী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা মতেং পাঙদুনা হোৎনরিবনি।

ফিফাগী ওইনা গ্লোবেল সোক্করদা অকায়বা পীরকপা মতমদা মতেং পাঙননবা কেস রিজার্ব তৌদুনা লৈরি। মমাঙগী রিপোর্টতা ফিফাগী ওইনা য়ু এস দোলর বিলিয়ন ২.৭ লৈরিবনি।

মালেমগী ফুটবোল বোদি ফিফাগী ওইনা শেল–থুম মতিক চানা লৈরি। ঐখোয়গী থৌদাং দি বোদি অসিগী মখাদা লৈরিবা এসোসিয়েসনশিংনা অৱাবা তারবা মতমদা মতেং পাঙবনি। ঐখোয়গী মায়কৈদগী ফুটবোলগী কম্যুনিটিশিং দা মতেং পাঙনবা অকনবা মওংদা থবক পায়খৎলি। মসিগী ৱাফম অসি ইনফান্টিনোনা মমমাঙদা ফিফাগী মেম্বর এসোসিয়েসনশিং দা ভিদিও মেসেজ ওইনা কয়ারক ফোঙদোকখ্রবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

ফিফপ্রো, ইন্টরনেসনেল প্লেয়রর্স য়ুনিয়ননা ৱুমেন'স সোক্করগী মতাংদা ফাইনান্সিয়েল সম্পোর্ট পীনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবশিং অদু ফিফানা পাঙথোক্লবা অকনবা মওং দা হোৎনবা লেপত্রি।

কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা নুপীগী ফুটবোলদা চাওনা অকায়বা পীরি। মসিনা মরম ওইরগা মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্ট কয়া কেন্সেল তৌখ্রবনি।

কলম্বীয়াদা পেন্দেমিক অসিগী অচৌবা শাফু ওইনা ইন্দিপেন্দেন্টটে সান্টা ফেনা নুপীগী সোক্কর টিমগী শান্নরোইশিংগী কোন্ট্রেক্ট পূম্নমক সস্পেন্দ তৌখ্রবনি। অদুগা নুপীগী সোক্কর টিমগী ওইনদি শুপ্নগী তলব ককপগী ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

শেল–থুমগী অৱাবা লৈবনা মরম ওইরগা নুপী ফুটবোল অসি তোকপা নৎত্রগা হন্থহনবগী ফিভমদা লৈরে। মরম অসিনা দিসিজন মেক্করশিংনা নুপীগী ফুটবোলবু চাওখৎনবা মতেং পাঙনবগী ৱাফম ৱুমেন'স ফুটবোল ওফিসার অমান্দা ভান্দরভোর্টনা ফোঙদোকখি।

# বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসন্না পি ভি সিন্ধুবু 'আই এম বেদমিন্টন' কেম্পেনগী এম্বেসেদর ওইনা খনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি)ঃ*

বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা 'আই এম বেদমিন্টন' কেম্পেনগী ওইনা হন্দক্তা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী নুপী সট্টলর পি ভি সিন্ধু এম্বেসেদর ওইনা হাপখ্রে।

কেম্পেন অসি পাঙথোকপগী পান্দমদি শান্নরোইশিংবু নুংশিনবা অমসুং অমনা অমবু ইকাই খূম্নবগা লোয়ননা প্লেটফোর্ম অমা শেম্বনি। মসিগা লোয়ননা বেদমিন্টন মশান্নবু য়াম্না ফজনা অমদি থম্মোয় শেংনা শান্নহনবনি।

রিও ওলেম্পিক্সকী সিলভর মেডালিষ্টসু ওইরিবা পি ভি সিন্ধুনা ফোঙষদাকখিবদা শান্নরোইশিংনা ফজনা অমসুং থম্মোয় শেংনা শান্নবা হায়বসি স্পোর্টস দিসিপ্লিন খূদিংমক্কী খ্বাইদগী মরুওইবনি।

বি দব্লিয়ু এফকী ইন্টিগ্রিটি য়ুনিটকী মখাদা পাঙথোকপা কেম্পেন অসি হৌখিবা চহী ৫ গী মমাঙদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হন্দক্কী ওইনদি বোদি অসিনা মশান্না অসিগী অপুনবা পাঙ্গল শাগৎনবগী পান্দমদা কেম্পেন অসি পাঙথোক্লি।

ঐহাক্না 'আই এম বেদমিন্টন' হায়না কেম্পেন অসিগী এম্বেসেদর ওইনা খল্লকপদা য়াম্না চাওথোকচবা পোকই। মশান্না অসিগী মরুওইবা থবক খরদি তৌবগী খুদোংচাবা ফংলগনি হায়না ইন্দিয়াগী নুপী সট্টলর পি ভি সিন্ধুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।



বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসন্না অনৌবা এম্বেসেদর ওইনা খনখ্রবশিং অদুদি ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু, কানাদাগী মিচেলি লি, চাইনাগী শান্নরোই অনী ঝেং সি ৱৈ অমসুং হুৱাং হা কিওং, ইংলেন্দগী জেক সেফার্দ, জর্মনিগী ভালেস্কা নোব্লাক, হোং কোংগী চান হো য়ুয়েন অমসুং জর্মনিগী মার্ক জ্বেব্লরনি। মার্ক জ্বেব্লরদি বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসনগী এঠলেটস কম্মিস্নরগী চীয়েরমেনগী ফম পায়রিবনি।

এম্বেসেদরশিং অসিগী মতেংনা এৱারনেস কেম্পেন চথবদা নত্তনা বেদমিন্টন মশান্নবু অহেনবা থাক্তা পুখৎতুনা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিংনা মশান্না অসিগী ইন্টিগ্রিটি ঙাক্লা চৎহনবদা চাওনা মতেং পাঙলগনি হায়না বি দব্লিয়ু এফকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মমাঙগী ইলাইট শান্নরোইশিং য়াওনা কেম্পেন অসি কুমজা ২০১৬ তগী চথরকপনি। মসিদা বি দব্লিয়ু এফকী প্রসিদেন্ট পোল ইরিক হেয়র, বি দব্লিয়ু এফ পেরা বেদমিন্টন এঠলেটস কম্মিসনগী চেয়র রিচার্দ পেরোট, সুপরষ্টার সাইনা নেহৱাল, ভিক্টর এজেলসেন, হেন্দ্রা সেটিয়াৱান, কৃষ্টিন্না পেদরসেন, চেন লোং মিসাকী মাটসুটোমো অমসুং আয়াকা টাকাহসিনি।

শান্নরোই খূদিংমক্লা পুকচেল শেংনা অমদি ফেয়র স্পোর্টসতা কম্পিট তৌনবগী রাইট পীরি। মেটচ ফিক্সিং, মেটচ মেনিপুলেসন অমসুং দোপিংনা মরম ওইরগা স্পোর্টসকী স্পিরিটতা চাওনা অকায়বা পীরি। ঐখোয়না এম্বেসেদর অমা ওইনা তুংগী বেদমিন্টনগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌহনবিগদবনি হায়না পোল ইরিক হেয়রনা ফোঙদোকখি।

ঐখোয়গী নহা ওইরিবা অমসুং পেরা বেদমিন্টনগী শান্নরোইশিংদা মেটচ মেনিপুলেসন তৌব অমসুং দোপিংগী রিক্স চাং ৱাংনা লৈরি। মখোয়শিং অসি ইন্টরনেসনেল সাক্যুটতা এক্সপোজ তৌবগী খুদোং চাবা য়াম্না ৱাৎপনা ওইগনি হায়রি।

'আই এম বেদমিন্টন' কেম্পেনগী মতুং ইন্না ঐখোয়না রোল মোদেলগী থৌদাং লৌদুনা এক্সপরিয়েন্সশিং অসি হৌগৎলক্লিবা শান্নরোইশিংদা সেয়র তৌগদবনি। কেম্পেন অসিদা এন্টি–মেটচ মেনিপুলেসন অমসুং এন্টি দোপিংগী মতাংদা অকনবা মওংদা এৱারনেস চথগদবনি হায়না বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসনগী মায়কৈদগী থাদোরকপা পাউ অসিনা মখা তারক্লি।

# টোকিও ওর্গনাইজরগী ষ্টাফ অমা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে

*টোকিও, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি)ঃ*

টোকিও ওলেম্পিক গেমস ওর্গনাইজরগী ষ্টাফ অমা কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী ঙসি থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরক্লি।

ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা চেরোল অসিগী মতুং ইন্না টোকিওদা লৈবা বোদি অসিগী ওর্গনাইজরগী বিল্ডিংদা থবক তৌবা নুপী ষ্টাফ অমা কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না ফোঙদোরকখিবনি। মহাক টোকিওদা লৈবা হেদ ক্বার্টর অসিদা চহী ৩০ রোম থবক তৌরক্লবা মীওইনি।

ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না মহাক ময়ূমদা ক্বারেন্টিন তৌরি। মখা তাবা পাউদি ফংদ্রি হায়রি। টোকিও ওলেম্পিক ওর্গনাইজিং কম্মিটি অসিদা মীওই ৩,৫০০ রোম থবক তৌরি। ষ্টাফশিংগী ৯০% দি চয়োল খরগী মমাঙদগী মখোয়গী য়ূমশিংদগী থবক তৌনদুনা লাক্লিবনি।

ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোরকপদা মহাক্না থবক তৌরিবা মফমশিং অসি দিসইনফেক্টেন্ট তৌখ্রবনি, মহাক্না নকশিন্না থবক তৌমিন্নরম্বশিংসু য়ূমদা লৈনবা খঙহনখ্রে হায়রি। নীংশিংবা য়াই, লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা টোকিও গেমসসু মথং চহীদা য়ৈথোকখ্রবনি।

# স্বিজ ফুটবোল লীগনা মেটচশিং হৌনবগী প্লান লৈঙাক্তা পীশিনখ্রে

*বর্ন, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি)ঃ*

স্বিজ ফুটবোল লীগ (এস এফ এল) না মখোয়গী য়ৈথোক্তুনা লৈরিবা লীগ টুর্নামেন্টশিং হৌনবা লৈঙাক্তা মখোয়গী শেমদোক্লবা প্লান অদু পীশিনখ্রে হায়রি।

স্বিজ গভর্ণমেন্টনা মমাঙ চয়োলদা লাওথোকখিবগী মতুং ইন্না কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা মমাঙদা লৈরম্বা অথিংবশিং অদু খরা কোমথোক্লগনি। লৈবাক অসিগী ব্যুটি সালোন অমসুং হেয়রদ্রেসরশিংসু এপ্রিল ২৭ তগী মথৌ তৌবা হৌরগনি হায়খিবনি।

লৈঙাক অসিগী অথিংবশিংদা অহোংবা খরা লাকপনা মতম খরগী মনুংদা মার্চ ২ দগী য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা স্বিজ ফুটবোল লীগশিং অথুবা মতমদা হৌবগী খুদোংচাবা লৈরগনি হায়না ফুটবোল বোদি অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা য়ুরোপকী ফুটবোল টুর্নামেন্ট কয়া চপ লেপ্পুনা লৈরি। য়ুপ্লোন্নবা লৈবাক জর্মনি অমসুং ওষ্ট্রিয়াদি মখোয়গী ট্রেনিং হৌখ্রবনি। মখোয়না সোসিয়েল দিষ্টেন্সিংগী চৎন–পথাপতি ঙাক্লা চৎলি।

এস এফ এলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা লৈবাক অসিগী ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ নৌনা হৌরবসু শান্নরোইশিং অমদি ওফিসিয়েলশিংদা হেল্ঠকী খুদোংথিনিংঙাই লৈবনা মীয়াম য়াওহল্লোই হায়রি।

# হরমনপ্রিতনা মাদর আর্থ কন্নবা মীয়াম্না হায়খ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমগী টি–২০ ফোরমেটকী স্কিপ্পর হরমনপ্রিত কোরনা ৱার্ল্ড আর্থ দে থৌরমগা মরী লৈননা মাদর আর্থ কন্নবা ৱাফম মীয়ামদা থমখ্রে।

ক্রিকেট্টর হরমনপ্রিত কোরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়না পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা এনভাইরোমেন্ট অমসুং মাদর আর্থ অসি ঙাক্তুনা থমগদবনি। মসিনা ঐখোয়গী য়ূমনি, মফম অসিদা খুদোংথিবা অমত্তা থোকহন্দনবা মীয়াম্না হোৎনগদবনি হায়না মহাক্কী ৱাফম থমখি।

পনবা য়াই, ঙরাং য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা অরুনাচল প্রদেশকী ফোরেষ্ট অমগী মফম ভিদিও ক্লিপ ওইনা থাগৎলকখি। রিজিজুনসু মহৌশাগী ফজবশিং অসি ঙাক্তুনা থম্নবা মীয়ামদা অপিল তৌখিবনি।

আর্থ দে অসিগা মরী লৈননা ভিদিও অদুদা রিজিজুনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ঐহাক্না হোম ষ্টেট অরুনাচল প্রদেশকী উৎপা পাম্মী। মসিগী ফোরেষ্ট অসিগী গ্রাউন্দশিং অসি নুমিৎকী মঙালনা য়ৌবা ঙমদে। মরম অসিনা ঐখোয়না ফজরবা মাদর আর্থ অসিবু ঙাক শেংদুনা থম্বগা লোয়ননা কোরোনাভাইরস লায়চৎ অসি মপুং ফানা থেংনমিন্নসি হায়না মহাক্কী ভিদিওগী কেপ্সন পীখি।

# টিমগী শান্নরোইশিংনা ঐখোয়গী মেটচশিং নৈনবগী চপ চাবা মতম ফংলে : সিমরনজিৎ

*বেঙ্গালুরু, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি)ঃ*

চথরিবা লোকদাউন ফেজ অসিগী মনুংদা টিম অসিগী শান্নরোইশিংনা মখোয়গী গেম নৈনবগী চপ চাবা মতম ওইরে হায়না ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমদা ফোরৱার্দ ওইনা থৌদাং লৌরিবা সিমরনজিৎ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

লোকদাউন মনুং অসিদা ঐখোয়গী স্কিলশিং অদু হেনগৎহন্দুনা টোকিও ওলেম্পিক গেমসতা খ্বাইদগী অফবা টিম অমা ওইবগী খুদোংচাবা লৈরগনি হায়না শান্নরোই অসিনা মখা তাখি।



লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক্তা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্লা মরম ওইরগা লোকদাউন লৈখ্রবসু লৈবাক অসিগী নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কী টিমগী শান্নরোইশিংনা বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া কেম্পসতা লৈদুনা গেমস অসিদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি।

টোকিও ওলেম্পিক গেমস মথং চহীদা য়ৈথোকখিবসি য়াম্না নীংবা কায়বা অমনি। গেমস অসিগীদমক ঐখোয়না মমাঙ চহীদগী হৌরগা য়াম্না অফবা খোঞ্জেল অমা শাগৎলকখিবনি। অদুবু মসি পূম্নমক অরেম্বা তারে হায়না সিমরনজিৎ সিংহনা ফোঙদোকখি। মীয়ামগী হেল্ঠতা খুদোংথিংনিঙাই লৈবনা গেমস অসি য়ৈথোকপগী ৱারেপ অসি খ্বাইদগী মতাং চাই হায়না মহাক্কী মখা তাবা ৱাফম থমখি।

ঐখোয়না মথং চহীদসু টিম অসি খ্বাইদগী অফবা সাইদ অমা ওইহন্নবা হোৎনরি। টিম অসিগী শান্নরোইশিংনা কন্না হোৎনদুনা ফিল্দদা অফবা রিজল্ট পুথোকপা ঙমগনি হায়না সিমরনজিৎনা মখা তাখি।

সিমরনজিৎনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না লোকদাউন মনুংদা এস এ আই কেম্পসতা লৈরিবা অসি খ্বাইদগী লাইবক ফবনি। মফম অসিদা মহাক্কী তৌগদবা থবক কয়া অমগী খুদোং চাবা ফংলি হায়না মহাক্না নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি য়াম্না মরুওইবা মতমনি। ঐখোয়না পোজিটিভ ওইনা লৈদুনা ফিভম অসি অথুবা মতমদা লাকশিনবা ঙম্নগনি। ঐহাক্না অয়াম্বা মতমদা মমাঙগী মেটচশিংগী ভিদিওশিং য়েংদুনা লৈ। হান্নগী মেটচশিং অসি য়েংদুনা অশোয়বা লৌখিবশিং অদু চুমথোকপগী খুদোংচাবসু চাওনা পীরি হায়না মশাগী চহী ২৩ শুরবা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমগী ফোরৱার্দ শান্নরোই সিমরনজিৎ সিংহনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়াগী বিরেন্দ্র সেৱাগ অমসুং সচিন টেন্দুলকর অষ্টোন অগারগী ওল টাইম ৱার্ল্ড এলবেনগী মনুং চনবা ঙমখ্রে

*লন্দন, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি)ঃ*

ওষ্টেলিয়াগী ক্রিকেটর এষ্টোন অগারনা শেম্বা হায় প্রোফাইল শান্নরোইশিং লিষ্ট ওল টাইম ৱার্ল্ড এলবেনগী মনুংদা ইন্দিয়ান ক্রিকেটকী মমাঙদা য়াম্না মমিং লৈরবা বেটসমেন ওইরম্বা বিরেন্দ্র সেৱাগ অমসুং সচিন টেন্দুলকর য়াওখ্রে।


এষ্টোন অগারগী ওল টাইম ৱার্ল্ড এলবেনগী লিষ্ট অসিদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা খ্বাইদগী য়াম্না মফম কনবা ঙল্লি। লিষ্ট অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনী অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজগী শান্নরোই অনী য়াওরি। অদুগা শ্রী লঙ্কা অমসুং পাকিস্থানগী শান্নরোই অমমম টিম অসিদা য়াওবা ঙল্লি। এষ্টোন অগারগী ওল টাইম ৱার্ল্ড এলবেন অসিদা জষ্টিন লেঙ্গর অমসুং বিরেন্দ্র সেৱাগনা ওপনরদা য়াওরি। মখোয়শিং অসি ঐহাক্না খ্বাইদগী পামজবা ক্রিকেট্টরশিংনি হায়না এষ্টোন অগারনা ফোঙদোরকখি।



ক্রিকেট মশান্নদা খ্বাইদগী মায় পাকপা কেপ্টেন ওইখিবা ওষ্ট্রেলিয়ান রিক্কি পোন্টিংনা নম্বর থ্রিদা লৈরি। মহাক্না টিম অসিগী কেপ্টেন ওইবগী থৌদাং পুরি। মহাক ওষ্ট্রেলিয়াগী খ্বাইদগী অফবা কেপ্টেন ওইবা ঙমখি। অদুগা অফবা বেটসমেন অমসু ওইরিবনি।

মিডল ওর্দর বেটসমেনশিংদা সচিন টেন্দুলকর, ব্রেন লারা, অমসুং ভিভিয়ান রিচার্দসনি। অদুগা টিম অসিগী কেপ্টেন্না ওষ্ট্রেলিয়াগী এদাম গিলখৃষ্টনা ওইরি। ব্রেট লি অমসুং সোইব অখটারনা ফাষ্ট বোল্লর ওইনা শরুক য়ারি। অদুগা সেন ৱার্ন অমসুং রঙ্গনা হেরাথনা স্পিন বোল্লরশিং ওইরি।

এষ্টোন অগারগী ওল টাইম ৱার্ল্ড এলবেনদা য়াওরিবা শান্নরোইশিং অদুদি বিরেন্দ্র সেৱাগ, জষ্টিন লেঙ্গর, রিক্কি পোন্টিং (কেপ্টেন), সচিন টেন্দুলকর, ব্রেন লারা, ভিভ রিচার্দস, এদাম গিলখৃষ্ট (ৱিকেটকিপর), ব্রেট লি, সেন ৱার্ন সোইব অখটার অমসুং রঙ্গানা হেরাথনি।




# ফেদররনা এ টি পি অমসুং দব্লিয়ু টি এ পুনশিন্নবা হায়খ্রে

*পেরিস, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি)ঃ*

স্বিটজরলেন্দগী ষ্টার টেন্নিস শান্নরোই রোজর ফেদররনা এ টি পি অমসুং দব্লিয়ু টি এ পুনশিন্নবা ৱাফম হৌদোকখ্রে।

কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিগী ক্রাইসিস লৈরিবা মতাং অসিদা বোদি অনী অসি পুনশিন্দুনা হেন্না মপাঙ্গল লৈবা বোদি অমা ওইহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি। ফেদররনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবদা মীয়াম্না পীরকখিবা কম্মেন্টকী মতুং ইন্না নুপা অমসুং নুপীগী ইভেন্ট পুশিনবগী ৱাফম নত্তে বোদি অনী পুনশিনবগী ৱাফম্নি হায়না মহাক্না শেংদোকখি। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মীয়াম্না অপুনবগী পাঙ্গল অসি য়াম্না মরু ওই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# বাংলাদেশকী সাকিব অল হাসন্না কোভিদ–১৯ ফন্দগী ২০১৯ ৱার্ল্ড কপকী বেট ওক্সন তৌগদৌরি

*ধাকা, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি)ঃ*

বাংলাদেশকী নুপা ক্রিকেট টিমগী ষ্টার ওল রাউন্দর সাকিব অল হাসন্না কোভিদ–১৯ ফন্দগীদমক কুমজা ২০১৯ গী ৱার্ল্ড কপ্তা শীজিন্নখিবা মহাক্কী বেট ওক্সন তৌগদৌরি।

পনবা য়াই, সাকিব অল হাসন করপ্সনগী চার্জদা চহী অনী অথিংবা থল্লিবনি। মহাক্না অনীশুবা বাংলাদেশকী শান্নরোই অমা ওইনা কোভিদ–১৯ ফন্দগীদমক মহাক্কী ৱার্ল্ড কপ্তা শীজিন্নখিবা বেট অদু ওক্সন তৌবগী ৱারেপ লৌখিবনি। লৈবাক অসিগী অহানবা শান্নরোই ওইনা ৱিকেটকিপর বেটসমেন মুসফিকুর রাহিমনা কোভিদ–১৯ ফন্দ তান্নবগী খোঙথাং লৌখৎলকখিবনি।

মশাগী চহী ৩৩ শুরবা বাংলাদেশ ক্রিকেট টিমগী ওল রাউন্দ সাকিব অল হাসন্না কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াখিবা অসিনা মহাক্কী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইখি।

ইংলেন্দনা য়ুম্ভু ওইদুনা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অসিদা মহাক্না মেটচ ৮ শান্নবদা পুন্না রন ৬০৬ লৌবা ঙমখি। মহাক্কী এভরেজনা ৮৬.৫৭ ওইখি। মহাক্না সেঞ্চুরি অনী অমসুং ফিফটি ৫ সুয়ৈবা ঙমখিবনি।

মসিগা লোয়ননা ৱার্ল্ড কপ অসিদা মহাক্না ৱিকেট ১১ শুবা লৌবা ঙমখি। মহাক্না সিঙ্গলস ৱার্ল্ড কপ ইদিসন্দা রন ৬০০ হেন্না অমদি ৱিকেট ১০ হেন্না লৌবা ঙম্বা অহানবা শান্নরোই ওইরি।

সাকিব অল হাসন্না ফোঙদোকখিবদা ৱার্ল্ড কপ অসিনা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইরি। মহাক্কী বেট অসিগী মতেংনা রন ১৫০০ হেন্না লৌবা ঙমখ্রে। মহাক্না কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা মহাক্কী বেট অসি ওক্সন তৌনবগী ৱারেপ লৌখিবনি হায়না বাংলাদেশকী ওল রাউন্দর সাকিল অল হাসন্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## আইনগী থোঙদা ৱাকৎলগনি

হৌখিবা তাং ৭ / ৪ / ২০২০গী পাউচেদা য়াওখিবা মীওই ৩ থাঙনা য়াল্লম্বদা চেন্নবশিং চৈরাক পীবিয়ু হায়রিবা পাউ অসিদা, ঐঙোন্দা য়ূম্ফম য়াওদবা প্রমান লৈতবা, ঐগী ইজৎ শোকপা য়াবা অহেনবা ৱাহৈ–ৱাতা খরা থেংনরে। হায়রিবা অহেনবা ৱাহৈ–ৱাতাশিংসি নুমিৎ ৩ নিগী মনুংদা হাপ্পীরিবা শ্রী থোকচোম সনাজাওবনা মানা হাপখিবা পাউচেশিংদা শেংদোকপীরকউ। নৎত্রবদি আইনগী থোঙদা ৱাকৎলগনি।

হায়জরিবা,
হৈক্রুজম মনোজ সিংহ
থোংজু পার্ট–টু কোইরৌ, থোংজু

SL/6102/23

## ক্রোসৱার্দ ৪৯৬ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | E | T | S | | O | P | T | S | | S | T | R | I | P |
| L | E | A | K | | C | H | I | P | | T | R | A | C | E |
| A | R | M | I | S | T | I | C | E | | R | I | V | E | T |
| S | I | E | S | T | A | | S | L | E | E | P | E | R | S |
| H | E | R | | O | N | A | | L | A | W | | | | |
| | | | E | L | E | C | T | | S | N | A | R | E | D |
| T | I | T | L | E | | T | O | T | E | | N | E | M | O |
| U | N | I | O | N | | O | N | O | | E | D | D | I | E |
| S | T | E | P | | G | R | E | W | | N | E | S | T | S |
| K | O | R | E | A | N | | R | E | S | T | S | | | |
| | | | | B | A | H | | L | E | I | | S | O | D |
| E | C | S | T | A | T | I | C | | A | R | T | H | U | R |
| R | E | L | I | T | | P | R | I | M | E | R | A | T | E |
| A | D | O | R | E | | P | O | R | E | | A | R | E | A |
| S | E | W | E | D | | O | P | E | N | | P | E | R | M |